ꯂꯩꯄꯥꯛꯄꯣꯛꯄ, ꯖꯨꯟ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯸꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, জুন ১৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৮১শুবা মশীং

# পেট্রোল, দিজলগী মমল হেনগৎলকপা

## মালেমগী কৈথেলদা মমল হন্থরক্লবসু ইন্দিয়াদদি লেপ্পনা হেনগৎলক্লি

ইন্দিয়াদা হন্দক তেল্লবা মতম খরখক্কী মনুংদা থেঞ্জাং ৯লক পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল হেনগৎলক্লি। খ্বাইদগী ইকোন-কোনবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা পেট্রোল লিটরদা পৈশা ৪৮ অমসুং দিজল লিটরদা পৈশা ৫৯ হেনগৎলকখি। থেঞ্জাং ৯লক হেনগৎলক্লিবসি পূনশিল্লগদি পেট্রোল লিটরদা লুপা ৫ অমসুং দিজলনা লিটরদা লুপা ৫.২৩ হেনগৎলক্লে। লোকল সেল্স টেক্স নৎত্রগা ভেল্যু এদেদ টেক্স খেন্নবগী মতুংইন্না ষ্টেট খুদিংমক্তা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল মান্নদে। হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী হৌনা মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল তপ্না-তপ্না হন্থরকপা তারবসু ইন্দিয়াদদি পেট্রোল, দিজল অমসুং এভিয়েসন টর্বাইন ফ্যুয়ল (এ টি এফ) গী মমল অসুম-অসুম হেনগৎলকপনা মীচম-মীয়ামদা চাউনা অৱাবা মায়োক্নহল্লে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মালেমগী মফম অয়াম্বদা গাড়ী থৌবা লেপ্ন খিবদগী পেট্রোল অমসুং দিজলগী দিমান্দ হন্থরকখি। মদুনা মরম ওইরগা মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল হন্থরকপনি। মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল ৱাংখৎলকপা মতমদা পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল হেনগৎলকপা হায়বসিদি হৌনশানি। অদুবু মালেমগী কৈথেলদা মমল হন্থরক্লবসু ইন্দিয়াদদি লৈঙাক্না অহেনবা টেক্স লৌদুনা মীচম-মীয়ামদগী য়াম্লবা শেনফম খোমগৎপা হোৎনরি। মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল হন্থরক্লে হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ফেব্রুৱারী থা হৌগৎলকপদা শুংদোক্ত্রিবা থাউ বেরেল অমগী মমল দোলর ৫৫ ওইরম্বদগী মার্চ থাদদি বেরেলদা দোলর ২০দা হন্থরকখি। মালেমগী কৈথেলদা হৌজিক শুংদোক্ত্রিবা থাউ বেরেল অমগী মমল দোলর ৩৭ পীরে। অদুবু মালেমগী কৈথেলদা মমল হন্থরক্লে হায়রগসু মীচম-মীয়ামদা থোইদোক্না কান্নবা ফংহনবা ঙমদ্রি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি লৈঙাক্না থাউদগী লৌবা এক্সাইজ দ্যুটি হেনগৎলকপননি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা থাউদগী লৌরিবা টেক্স অসিগী মথক্তা ষ্টেট-ষ্টেটকী ওইবা তোখায়বা টেক্স লৌরিবনি। মার্চ ৫দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা এক্সাইজ দ্যুটি হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা দিজল লিটর অমগী টেক্স লুপা ১৩ হেনগৎহনখি। পেট্রোলগীনা লিটরদা লুপা ১০ হেনগৎহনখি।

মালেমদা হৌজিক পেট্রোল অমসুং দিজলদগী টেক্স খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা লৈবাক ইন্দিয়ানা ওইরে। মে থাদা সেন্টর অমসুং ষ্টেটনা পুল্লগা পেট্রোলদগী লৌরিবা টেক্স (এক্সাইজ দ্যুটি অমসুং ভেল্যু এদেদ টেক্স) কী চাং চাদা ২৬০ রোমনি। দিজলদগী লৌরিবা টেক্সনা চাদা ২৫৬ নি। মালেমগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংদদি হন্থবা চাংদা টেক্স লৌরি। জর্মনি অমসুং ইটলিনা থাউদগী লৌরিবা টেক্স চাদা ৬৫নি। য়ুনাইটেদ কিংদমগীনা চাদা ৬২, জপানগীনা চাদা ৪৫ অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকীনা চাদা ২০গী চাংদা টেক্স লৌরি। মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল হেনগৎলকপা মতমদা ইন্দিয়াদসু থাউগী মমল হেনগৎলকপদগী মীয়াম্না অহেনবা পোৎলুম পুরি। মালেমগী কৈথেলদা মমল হন্থরক্লগসু সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অহেনবা টেক্স লৌবা মরম্না মীচম-মীয়ামদা থোইদোক্না কান্নবা ফংদে। মতৌ অসুম্না থাউগী মমল হন্থরক্লবসু নৎত্রগা হেনগৎলক্লবসু লৈঙাক্কীদমক্তদি ইকান্দা-কান্নে হায়বা য়াই। লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা ওইল মার্কেটিং কম্পনি (ও এম সী) শিংসু থোইদোক্না কান্নবা নত্তে। ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসন লিমিটেদ (আই ও সী এল) অমসুং ভারত পেট্রোলিয়ম কোর্পোরেসন লিমিটেদ (বি পি সী এল) নচিংবা ওইল মার্কেটিং কম্পনিশিংনা শুংদোক্ত্রিবা থাউ লৈরুরগা রিফাইনরিশিংদা প্রোসেস তৌরিঙৈগী চৈরক্তা খঙহৌদনা মালেমগী কৈথেলদা মমল হন্থরক্লবদি শেল মাঙবগী ফীভমদা লৈ। অদুবু লৈঙাক্কীদমক্তদি অহেনবা টেক্স লৌদুনা ইকান্দ-কান্নরি। ইমাঙদ-মাঙজরিবনা মীচম-মীয়ামনি। রিপোর্ট অমনা হায়, হৌখিবা জন্যুৱারী থাদগী মার্চ ফাওবদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল চাদা ৭০ হন্থরকখিবা মরম্না লুপা ক্রোর ২৫,০০০ রোম ওইল রিফাইনরশিংনা মাঙজখি। এপ্রিলদগী জুন ফাওবসু থাউগী দিমান্দ হন্থরকপা মরম্না ওইল মার্কেটিং কম্পনিশিং শেল মাঙখি। হৌজিক্তি লোকদাউনগী কাঙলোন খরা কোমথোকখিবা মরম্না গাড়ী থৌনবগী চাং হেনগৎলকপনা থাউগী দিমান্দ হেনগৎলক্লে। অদুবু লৈঙাক্না টেক্স হেনগৎলকপা মরম্না থাউগী মমল হেনগৎলকপদগী মীচম-মীয়ামদা অচৌবা পোৎলুম অমা থোনগৎলে। ওপোজিসন পার্টিশিংনা হায়, লৈঙাক্না টেক্স হেনগৎহন্দুনা মার্চ ৫গী মতুং তারকপদা পেট্রোল অমসুং দিজলদগী লুপা ক্রোর লাখ ২.৫ হেন্না তানবা ঙমখ্রে। লোকদাউনগী চৈথেং ফংলবা মীয়ামদগী লৈঙাক্না অহেনবা টেক্স লৌরিবসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না লৌফম থোক্তে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### লোকদাউন মনুংদা ওল্লকপা থৌরম

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ঐখোয়গী লায়রবা লৈবাক অসিগী ইনাকখুনবা থাক ৱাংলবা ঈনাৎ লৈরকই। পোকপদগী শিবা ফাওবগী হরাউ কুম্মৈ, লাইশোন-তিনশোন ঈরাৎ থৌরম ঐখোয়গী ঈনাৎ ঙাক্তনি। পোকপা শিবা অনীমক ঈনাৎকী থৌরম তঙাইফদনা তৌদবা য়াদে। পূম্নমক্কী মরুবু ঈশ্বর কৌই। মসিবু ঐখোয়না তাইবঙ শেন্বা মপু হায়না খঙনৈ। থৱায়না হকচাং থাদোকখিববু শিবা হায়না খঙনৈ। থৱায়দি শিবা খক নাইদে, হন্না-হন্না পোক্তুনা লৈ হায়নৈ। লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবঙ মপুগী মফমদা লৈরাং-লৈনম ওইনা তিনখিবদা থৱায় মঙাগী নোঙ্গারোল শক্তুনা, নোঙ্গালম্বী তানবগী চৎনবী থৌরমম্বু লান্ন-থৌরম কৌই। খুন্নাই অসিগী পুন্সিদা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল ফজবা ফীদমগী লাইনীং-লাইশোনবু ঈশৈ নোংমাই শক্তুনা তাইবঙ মপুগী মিংখৈ শোনবনা লৈখিদ্রবা থৱায়গী লান্নবা পাম্বৈ ওইনরি।

অসুক ফজখ্রবা চাওখৎলোন অসিগী ঈরাৎ থৌরম লাইনীং লাইশোন তৌবদা থল্লগা নুংঙাইবা, চারগা হরাওবা, চাবা-থকপগী খুন্দিন্নবা অমা য়াওশিল্লকপা অসি য়াম্না খুদোং থীনীংঙাইনি। শেল থোক্তনা শেন্থাবা, শেল পায়দনা শেল চাইবা, ফৈ-ফত্তে, তৌহৈ-তৌহৈদে খঙদনা নুপা-নুপী খায়দনা বরগী কোক মথক্তা শেল চাইথহনবা অসিগুম্বা মওং-মরীল নাইদবা থৌওং কয়া অসিনা ঈনাৎকী ফজবা শক্তম মাঙহল্লি। অশিবগী পোৎলোইবা লোইরকপদা য়ু, লুহোংবগী লোইশিল্লকপদসু য়ু, লান্ন-থৌরমগী ঙাতংবদসু য়ু - মীরক্তা সরোই-ঙারোই য়াওরমদুনা খৎনবগী পোল্লোইনা ফজখ্রবা ঈনাৎকী থৌরম্বু তশেংনা মশক থীহল্লি।

অদুবু, কোভিদ-১৯গী থা ৩গী লোকদাউন মনুং অসিদদি ঙাওবা, ফৈবা, লাও-খোংবা, খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবগী থৌওং অসি থাক য়াম্না খঙনেম নেমথখ্রে। লুহোংবগী থৌরমদা মী ৫০দগী হেন্দনা য়াম্না নুংঙাইনা ইকোম কোম্না পাঙথোক্নরে। লান্ন-থৌরমগী মতাংদসু অদু মঙাই পালাদা শেল থাবা, ভাবক অকোয়বদা শেল য়েনবা তাৎ হৈবা পোলিটিসিয়ন শাবা মী পংয়াম য়ামশিল্লক্ত্রে। চাক্লৌবগী ঙাতংবগী মতাংসিসু মী মশীং ইয়াম য়াম্না তৌনদ্রে। তৌদবা য়াদবা খরা অদুতং তনান-তনান তংদু-লৈতানা পাঙথোক্নরে। ঈনাৎকী থবক থৌরম খুদিংমক হৌজিক্না য়াম্না হেন্না শাফরে। পূম্নমক অসি লোকদাউনগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অসিগা ঈরোয়ননা মীওইবা ঐখোয়গী থম্মোয়দা অফবা হায়বা ৱাখল অমা ফাওরকপা অসিনা মীকুপ খুদিং, খোঙথাঙ খুদিং অফবা মায়কৈদা লমজিংবীবা ওইসনু। উ পাম্বীনা, মনম নুংশিবা লৈ পাম্বীগুম খক নুংশিহনবা ঙমদে।

*অদোমগী - য়ুম্নাম নিংথেম, কোংপাল চিঙ্গাংবম লৈকায়*

# লোকদাউন মনুংদা 'মেক ইন মণিপুর'

## (দিফিকলটিনা ওপোরচ্যুনিটি ওন্থোকপগী মীৎনা উবা পাউদম)

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬০৬

**জিতেন নামৈরাকপম**

হন্দক্কী শাথীরবা লাইচৎ কোভিদকী ভিক্টিম ওইনা ইন্দিয়াগী ওইনা পারবদা মীওই ক্রোর কুন্সগী মথক্তা থবক থদৎপীখ্রে হায়বগী রিপোর্ট লৈরে। থবক তৎলিবসি চাদা নত্তে, লিশীংদা নত্তে, লাখতা নত্তে, ক্রোরদনি। মদুদা মণিপুর য়াওরক্নু য়াদে। নোংমগী অফং-অফংবা শূজবা অমদি প্রাইভেট সেক্টরদা থবক তৌবা, থবক্কী সিওরিটি লৈতবা মপুদুনা থবক হাপকে হায়বা মতমদা হাপচিনবা ঙম্বা, লৌথোক্কে/থদৎকে, তোলোপ পীররোই হায়বা মতমদা পীদবা ঙম্বা, মীখা পোনবা থবক মক্তনি। কোলকটাগী প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা থবক তৌবা মণিপুরী নর্সনচিংবা ওপার অমসু চেন্থোরক্লিবদু মঙাই। মণিপুরদসু থা ৩ চুপ্না শেল থোক্রবা মীওই লাখ ১০গী মথক্তা লৈরিবসিগী মথক্তা মখোয় মপান লমদা থবক তৌরুবসি য়াওনা পাশিল্লগদি 'চানবা লৈতে তখেল থাঙ' গী ফীভমদা মুন মুন্দনা, শেৎ-শেৎতুনা চানরক্দৌরিব্রা, কৈনোমা তৌরি।

মপান লমদগী থবক তোকথোক্তুনা হল্লক্লগা ক্বারন্টিন তৌরবা মতুং নেগেটিভ ওইদুনা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরবা নুপীমচা অমা ধুপ মচৈ শানবা পোৎ-চৈ য়োনবা, মেক্রুক, মৈতাল মকুপ, গম ওইনা নপ্নবা উশিংশা মকু তকখায়ফম য়ূম অমদা চঙলক্লগা হায়রে, "নেনে, মেক্রুক, মৈতাল, গম, ধুপ মচৈ কিলো অমমম পীয়ু কয়া তারে। লোকদাউনগী মতমসিদি কান্নপোৎতে ধুপ শারগা মতম লেনগে। মোদিগী মেক ইন ইন্দিয়াদু, মেক ইন মণিপুর ওন্থোকপদা য়াওহৌরগে।" পোৎ-চৈশিং অদু ওল্লবা মতুংদা লৌরগা চৎখি। তোলোপ লুপা লিশীং ২০ মুক চারম্বা মহাক ধুপ শারগা মতম লেল্লগদৌরি। শূফম-নোম্ফম খঙদ্রবা কয়া অমা শেল শিকি অমত্তা থোক্তনা ককঙাওনরিঙৈ তাঞ্জাসিদা মীয়াম পূম্নমক ওন্থোক্না ৱানরে। অঙাংশিংসু স্কুল, কোলেজ কাদবা থা ৩ ফারক্দৌরে। পেসেঞ্জর পুবা গাড়ী চেনখিদ্রে। লল্লোন ইতিক তৌবশিং পোৎয়োনবা-পোৎয়োনবীশিংগী পুন্সিসু ষ্টেবল ওইদ্রি অমুক থিং, অমুক হাঙ, হিংজোং কায়জোংনি। প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিং, মহৈরোয়শিংগী ট্রান্সপোর্টরশিং চপ লেপ্তুনা লৈখ্রে। মখোয়দসু নত্তে হীরম খুদিংমক্তা য়েংলুবদা অৱাবগী অৱাবা মক্তনি।

মরক অসিদা য়ূমদা লৈনা-লৈনা অঙম অঙম্বা, অহৈ-অহৈবা শীনফমদা শেল থোক্লবা হোৎনবসু য়াওদবদি নত্তে। এন এস আই সীগী স্কিমস এন্দ প্রোগ্রামসকী ট্রেনিং য়াওরবা ট্রেনিশিং হন্দক্কী লোকদাউনগী মতম অসিদা হিংনবগী শেন্থোক লম্বী ওইরবা মীওই খরা থেংনরুই। নেসনল স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদ (মিনিষ্ট্রি ওফ এম এস এম ঈ, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া) মণিপুর ব্রাঞ্চ, হেদ ওফিস, উরিপোক অচোম লৈকায়দা মেনেজর ওইবিরিবা এল ইবেতোম্বীগী লমজিং মখাদা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা থেঞ্জাং কয়ারক ট্রেনিং পীবিখিবগী মহৈরোয়শিং মহাউ ফংবা হৌনখ্রে। মহয় চাবা য়াওনখ্রে। মরু ওইনা কেন্দল মেক্কিং চয়োল মরি চুপ্না ট্রেনিং য়াওরুরবা মতুং লোকদাউনগী শূফম নোম্ফম খঙনদ্রবা মতম অসিদা কেন্দল শাদুনা ইমুং মনুং পুনবা থেংনরুই।

জেসিকা নামৈরাকপম জি পি ৱিমেন্স কোলেজদা সিক্স সেমিষ্টর তমদুনা মাষ্টর তমগদবগী হোৎনজরিবা মহৈরোয় অমদি মমাবোক রূপবতিগা কেন্দল মেক্কিংগী ট্রেনিং য়াওরুবদগী থা অমগী মনুংদা কেন্দল হৈদুনা, য়োন্দুনা মতিক চাবা শেন্দোং ফংবা ঙল্লে। মখোয়বু ইমুং-মনুংগী মবোকশিং অমদি ইমুং হুপ্না মতেং পাংবীদুনা মখল মখলগী সাইজদা মরু ওইনা লাইদা কৎনবা কেন্দল মচা পিকখ্রবা সচা (Mould) ৭/৮ খক শীজিন্নদুনা শুপ্নতগী নুমিৎ নীনি হুমনিগী মনুংদা Paraffin wax প্লেট ৫ চনবা বোক্স অমদি হৈবা ঙম্মী হায়রি। নোংমদা মখল-মখলগী কেন্দল লুপা ২০/২৫ পীবা, লুপা ৩০/৪০ পীবা সাইজ পূন্না দজ্জন ৪০গী মথক্তা হৈবা ঙম্মী। থবক শূবখক্তদা অহিং তূম্বা ফংনদ্রে। ইমুং-মনুংগী মীওই শিন্ন-শিন্নদুনা অয়ূক্তগী হৌরগা নুমিদাংগী অহিং নোংয়াই ফাওবা কেন্দল হৈবদা মায় ওনশিনখ্রে। মোবাইল মেক্তুনা লৈরম্বা, লেপটোপতা মিৎ চোংথোকপমখৈ য়েংলম্বা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চারম্বা, ৱারেম ঙাঙলম্বা কাঙবু এন এস আই সী ট্রেন্নরশিংনা মমিৎ মমায় পাংহনবীরে হায়রি। মখোয়দসু নত্তনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদসু কেন্দল শারে হায়বগী পাউ ফংবা ঙম্মী।



খ্বাইদগী হেন্না পাম্নরিবসি লাইদা কৎনবা কেন্দল মচাশিংসিনি। মরমদি মণিপুরগী মৈতৈগী য়ূমথোং খুদিংদা অয়ূক্কী, নুমিদাংগী লাই খুরুম্বদা কেন্দল শীজিন্নবা মক্তনি।

ময়াম্না হেন্না খঙনবিরবনি। মণিপুরদা কেন্দল শাগৎনরক্লিবসি মোরেরোমদগী কেন্দল লাক্তবদগীনি। লোকদাউন হাংলক্তুনা মোরেরোমদগী অহোংবা মমলদা কেন্দল থাজিল্লকপদা হৌজিক মশানা মশাবু থবক পীজরিবশিংগী তুংগী লাইবক তম্বা ঙম্বদি নত্তে। পুল্লপ তোরা তুনা হাৎতোকপীখিগদ্রা হায়বগী অকিবসু লৈনরি। মতাং অসিদা ইকায় খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরদা শিন্মী কাঙবুনা পাউ অমত্তংদি য়ৌহনবীয়ু পাউদমলকই। মদুদি ইন্দিয়াগী মগুন লৈবা, মমল তাঙবা Paraffin wax শুংদুনা কেন্দল শাজরিবশিংগী তুংগী লম্বী থদৎপীখিদনবা পোরম অমা শিনবীয়ু। সবসিদাইজ রেটতা ৱেক্স ফংহনবীদুনা মগুন লৈতবা, মৈ ঙান্দবা, দ্যুরেবল ওইদবা মোরেরোমদগী লাকপা কেন্দল নমহৎতুনা ঐখোয়না ওইনা এক্সপোর্ট তৌবা ঙমহন্নবা মরী লৈনবশিংনা খন্নবীয়ু হায়বসিনি। নশানা নশাবু থবক পীজৌ হায়বদু ঐখোয় পীজরে। চিনাগী খোল্লাউ থবক পীয়ু হায়গনু থবক পীগে লাউ হায়বগী তুংইনজদুনা শূফম নোম্ফম খঙলমদ্রবশিং ঐখোয়গা পূন্না থবক শূমিন্নরে। লোকদাউনগী দিফিকলটিবু ঐখোয়না ওপোচুনিটিদা ওন্থোক্লে। খুদোংথীরবা সিচুএসনবু সোল্ভ তৌবদা ওইজবা কান্নবা থবক ওইনা ওন্থোক্লে। ইন্দষ্ট্রিশিং ব্যুজিনেস তৌরিবশিংবু চীফ মিনিষ্টরনা হৌখিবা থাগী তারিখ ২৬তা কৌদুনা উনদুনা এম এস এম ঈগী টাস্ক ফোর্সসু শেম্বীখ্রে। মদুগী মীফমসু ফমখ্রে। মাইক্রো এন্দ স্মোল ইন্টরপ্রাইজশিংবু থুনমক চাওখৎনবা হোৎনবীয়ু। লোন থুনমক পীবিবা, টেক্নোলোজি সোফিষ্টিকেটে ওইবা ফংহনবীবা, রো মেটরিয়েল ৱাৎহনবীদনা সবসিদাইজ রেটতা ফংহনবীরগদি ঐখোয়সু মোরেরোমদগী লাকপা কেন্দলদগী হেন্না হোংনা থাদোকপা ঙমগনি হায়বসিনি।

হাওবম মরক লৌরেম্বম লৈকায়দা লৈবা ঐখোয়গী দিভলপমেন্ট এন্দ রিছার্স এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ূম জিবেন্দ্রোগী মতেংগা লোয়ননা মহাক্কী ওফিসকী ট্রেনিং সেন্টরদা কেন্দল মেকিং হপ্তা ৪ চুপ্না ট্রেনিং তৌরুরগা পোখোক পুথোরক্লবা জেসিকাগী কেন্দল শাফমদা চৎলগা উনদুনা হংলুই - "লাইরিক তম্না-তম্না ভোকেসনেল ট্রেনিং তৌরুবগী মহয় চাবা হৌরকপগী ক্রেদিট কনা-কনাদা পীনীংই।" - মরুওইনা এন এস আই সীগী মেনেজর, মেদাম এল ইবেতোম্বী, এম বি এ সার অশ্বনিকুমার, ইনষ্ট্রক্টর মেদাম মেমতোম্বী অমদি ট্রেনিং তৌরিঙৈদা লাকপীদুনা ঐখোয়বু গাইদ তৌবিখবা পূম্নমক্তা পীজরি। মসিনা হেন্না পাকথোক চাউথোরক্তুনা ট্রেদ খুদিংমক্তা হায়বদি ফুদ প্রোসেসিং, ফেসন দিজাইনিং, কম্প্যুটর হর্দৱ্যর এন্দ মার্কেটিং, এদভান্স ব্যুটি পর্লর, স্কুল বেগ মেকিং, ক্রাফ্ট, হেন্দলুম অমদি টেল্লরিংনচিংবশিংদা ট্রেনিং পীবিদুনা থবক ফংদবা লোকল পিপলশিং য়াওনা শেন্থোক লৈনবা লম্বী চিংশিনবীয়ু হায়জরি। লৈঙাক্নসু এম এস এম ঈগী টাস্ক ফোর্স শেম্বীবগী মথক্তা কেবিনেট দিসিজন লৌবীদুনা মেক ইন মণিপুর মঙফাওনহনবীয়ু হায়জরি। ঐখোয় মীপাল তাংলগুমসি। ●

# মীরম লাইনীংনা ইরম লাইনীংদা খোঙলৌবা - ২৪

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

লৈকায়/খুন অমা খুন্নাইলোন অমা, লৈরক অমা শৈশক অমা হায়নবসিনা তাক্লিবদি লৈবাক অমগী অচৌবা খুন্নাইগা অতোপ্পা লৈবাক অমগী অচৌবা খুন্নাইগা মান্নদে। মরম অদুনা মান্নবা মীওইশিংগী লাইশিং অমদি লাইনীং-লাইশোনগা অতোপ্পা মান্নদবা অমগী লাইশিং অমদি লাইনীং লাইশোনগা অমুক মান্নদে হায়বসিদা য়েৎননীংঙাই করিবু লৈরিবগে। অমুকসু মী অমনা অতোপ্পা লম/লৈবাক অমদা চৎপা/চঙবা য়ানরবসু মওং/মরম খরদা য়ানবসি হৌজিক্কী মতমদনা ইন্নর লাইন পার্মিট/ভিজা হায়দনা লৌনরগা/পায়নরগা অকক্লবা মতম অমা পল্লগা চঙনবা/চৎনবা য়ানরিবনি। চৎনবীসিগী ৱাংমদা কনাগুম্বা লম অমগী মীওই অমনা অতোপ্পগী লম অমদা লোন্না চঙলুবদগী/লৈবা য়াবগী পীরিবা নুমিৎতু হেনবদগী ফারবদি লমদুগী চৎনবীগী মতুংইন্না চৈরাক/করিনো অমদি ফংই হায়বসি মালেমগী ওইনা খঙনবা ৱাফমনি।

মৈদিংঙু পামহৈবগী সনা হাক্তক্তা ময়াং মচা শান্তিদাস গোষাই হায়বা অমা মনাই (শিষ্যা) অনীগা লোয়ননা ইরমদমসিদা লাকখি। মতম অদুদদি মহাক্কী চৎনবীসি লৈরমদবদগী ওইরম্বসু য়াই, পামহৈবা নিংথৌদা চঙজরবা মতুংদা ময়াং তাৎকী শুমহৎয়াইদগী নিংথৌ মশাগী হান্নদগী চৎনরকপা লাইনীং লাইশোন হুলাল্লগা মীরম লাইনীং রমান্দি লাইনীং লৌখিবদগী হান্না লমদমসিগী কৌরম্বা মমিং ফাওবা মণিপুর হায়না ওন্থোকখিবনি হায়বসি মখাদা পঞ্জরিবা পুয়াশিং অসিদগী খঙই। লৈবাক অসিদা নমু তাইবঙ মীনা খুন্দা লৈতারকপদগী ঙসি ফাওবদা তাঙ্কক মরি হায়বদি (১) হয়ি চক (২) হয়া চক (৩) খুনু লংবচক অমসুং (৪) কোন্নচক হায়না খায়দোক্তুনা লাকপসিদা শুপ্নতগী পুয়া অনীখক্তংদা মণিপুর হায়বসি কৌরম্বা থেংনৈ হায়না এন বীরচন্দ্রনা ইবা 'য়েলহৌঙৈগী মণিপুরগী মমিংশিং (কংলৈপাক্কী ৱাফমদা থোইদোক্না নৈনবা) হায়বা লাইরিকসিগী লা: ১-২দা ইরি। খুদম :- লংদাই লাংহৈ পুয়া : (১) হয়ি চক্তা - মোংপিরু (২) হয়া চক্তা - থাহুৎৱা (৩) লাংবা চক্তা - নুংমুতুমতা মাংতপা/য়ু তাওচেং (৪) কোন্নচক্তা - মুৱাপালি মথংদা - মণিপুর।

খুনু লৈকোই চীংগাংলোইদা : খুনুচক্তা - মণিপুর।

শদিং শকোক - মণিপুর।

নাকল অমরোমদা, ইরমদমসি ময়াং হিন্দু লমগী শরুক অমা ওইনা ওন্থোক্লিংবা খরনা লৌতুনরগা হায়জিল্লম্বা কয়া অমা অরানবমক্তনি হায়না শেংদোকখিবশিং ৱারেংজরিবগী ১২শুবা তাঙ্কক চৈচৎ ২৫-২-২০২০ অমসুং ১৩শুবা চৈচৎ ৩-৩-২০২০ ইংদা ময়েক শেংনা ইজখ্রে। কনাগুম্বনা অমুক্তা হেন্না মরীক চুম্না খঙবীনীংলবদি কাংজিয় এম (ফিল) না ইবা 'অদুঙৈগী কংলৈপাক মণিপুর নত্তে' হায়রিবা লাইরিকসি পাবীবা কান্নগনি হায়না থমজরি/শমজিনজরে।

মীরম লাইনীংনা ইরম লাইনীংদা থাক কদায় ফাওবা য়েৎশিল্লম্বগে হায়বদা - ইপুধৌ পাখঙববু গোবিন্দ ওইনা; নোংপোক নিংথৌবু মহাদেব; পান্থোইবীবু দুর্গা; হিয়াংথাং লাইরেম্বী ইমাবু কামাখ্য লাইরেম্বী; মোংবহনবা উমংবু মহাবলি উমং (অইবগী ১১শুবা তাঙ্কক, চৈচৎ ১৮-২-২০২০দা নৈনজখ্রে) হায়না মমিংশিং ওন্থোকপনচিংবা তৌই হায়বসি ইখঙ খঙনরবা ৱাফমনি। শম্না হায়রবদা, ইরমদমসিগী মমাঙঙৈসিদগী চাওরাক্না চহী ২৫০দগী ২৬০ রোমগী মতমসিদা লমদমসিদা পানখিবা মৈদিংঙুশিং/নিংথৌশিং অয়াম্বনা মীরম হিন্দু লাইনীং ওইখিবনা মখোয়না পান্লিবা লাইনীংদুগী লাইশিংগা মতিক ময়াই মান্নবা/মথৌ পাঙথোকপা ঙম্বা ঙম্বী ইরমদমসিগী লাইশিংগী লাইফমলেনশিংদা পুশিল্লগা কোন্না চঙলকপা মীরম লাইশিংগী মমিং হায়জিনবদা য়াগদবা/পক্লগদবা মীরমগী লাইশিং লাৎশিনবা, কোন্না লাইশঙ শাগৎলগা শেমগৎপনি হায়বসি লোয়না খঙনৈ। খঙনা খঙনা মমাঙঙৈদগী হৌজিক ফাওবা করিগী য়ারিবনো হায়বগী মতাংদনা মরক্কী চহী খরদা চাউবোক ওইনা মীরমগী হিন্দু লাইনীং চৎলুবদগী ইকায় খাংদগীনি হায়বসি ময়েক শেংলবনি। ঐখোয়গী পাউরৌ অশেংবদা হায়বা তারগনা 'লাইরেন্না মতিক ময়াই (মগুন) ঙাক্লিংবদগী কফুৎতা পুথদুনা শি' হায়বগুম্বনি। মমাঙঙৈদগী য়ানীংলক্তবা কাঙবুনা মতমদুগী তৌনীং তৌনীংবতা তৌখিবা মৈদিংঙু/নিংথৌশিংদুগী অহকপা চৈরাক কিদনা খাংদুনা লাকপনা মখোয়গী মতম শুরদুনা হৌরক্লোনগী অচুম্বা লাইনীং লাইশোনগী ঈচেলদু চেন্থনবা ঈরম ফাৎলকপা ঙল্লকপদগীনি হায়বদা য়ারোইদবা কনাসু লৈররোই। ময়াং হিন্দুগী ওইবা থাজনবীদা হায়বা তারগনা - মৈদা চাংয়েং তৌবদা চাক্ত্রবদি অশেংবা ওইনা লৌনখিবগী খুদমশিং লৈবনি। অদুবু পন্নিংদবদগী পন্দি পঞ্জররোই। মরী লৈনবা মখোয় মশানা খঞ্জরসনু। অদুনা ইনাৎকী ওইবা পাউরৌ 'অচুম্বা ওইরিবা মৈবু অরানবা ওইনা ফিনা মুথৎনবা কয়াম কুইনা কুপ্তুনা থম্বা ঙমগনি' হায়নরিবসিনি।

চাওখৎপা-অফবা মায়কৈদা অহোংবা অওনবা পুরকপা হায়বসিদি লমদমদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী অয়াম্বনা অফবা মায়কৈদা খনবা ঙম্বদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। মসিদি মালেমগী ওইনা মতমনা পুরকপা খোঙথাংনি। ঐখোয়সি ইশানা ইশাবু মশক খঙদবা ঙমদবা হায়বসি ওইবদগী মাংলোমদা খুমাং চাওশিনবা ঙমদবনি। অদুবু নুংঙাইজবা অমদি হান্নদুম্না তৌদ্রে। থেংলবসু থেংনা ঐখোয় ইশাগী হৌরক্লোন খঙনবা থিনরক্লগা চাওখৎ মায়কৈদা চাওখৎনবা হোৎনরক্লে খঙজবদা নুংঙাইবা ফাওরক্লে। হেন্না থুনা খুমাঙ চাওশিন্নবা পায়খৎপীরকপা অমদি মথৌ তাবা খোঙথাং খরদি - ১) মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পায়খৎপীরক্কদবা - চৎলিবা চহীসিগী একাদেমিক সেসন হেক হৌবগা এম এ মণিপুরী মীতৈ ময়েক্তা তম্বা হৌরগনি হায়বসিনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী পুৱারীদা অহানবা ওইগদবসিগীদমক বেঙ্গলি ময়েক্না ইবা লাইরিকশিং থেঞ্জাং নাইনা মীতৈ ময়েক্তা ওন্থোক্লবা ট্রান্সলিটরেসন কম পব্লিকেসন পব্লিকেসন কম্মিটি অমসু ভাইস চান্সেলরগী অয়াবা লৌদুনা শেমখিবা কম্মিটিগী কনভেনর ওইবতা নত্তনা এম য়ুগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরসু ওইবা ডাক্তর এন সনাতোম্বনা হায়খিবা - "চৎলিবা চহী অসিগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমিক সেসন হেক হৌবা য়াবগা য়ুনিভর্সিটি অসিদা হাংলিবা এম এ মণিপুরীগী ময়েক অসি মীতৈ ময়েক্তা তম্বা হৌরগনি।" মসি অচুম্বা অফবা খোঙথাংনি। মরমদি -"লম অমগী ময়েক্না ইপানি, ইরোলনা ইমানি", হৌরক্লোনগীদা খূৎমাঙ চাওশিনবা হৌরক্লে হায়বা তাকপনি। ৱাফমসি সঙাই এক্সপ্রেসকী জুন ৬, ২০২০দা লৌখিবা খোঙথাংসি পাউচেসিমক্কী জুন ৭, ২০২০দা ফোঙখিবনি। (২) ঐখোয়গী হান্নদগী লৈজরকপা লাইফমলেনশিংবু খাংঙুথক্তগী মীরম লাইনীংগী শরুক ওইবা লাইশিংগী লাইফমলেন ওইনা খোঙলৌশল্লিবশিংসি হোংদোকহন্নবা মরী লৈনবশিংদা লৈঙাক্কী খূথাংদা হায়জদুনা খঙহনবা। (৩) অরিবা পুৱারী, মরক্কী য়াম্লবদা চহী ৩০০গী মনুংসিদা শেমজিন শাজিনবা মীরম লাইনীংগা মরী লৈনবা নত্তবা, শেমগৎলগা হৌরক্লোনগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবা কষ্টমগী মকোক্না লুচিংলগা এপেক্স বোদি অমা অথুবদা শেমগৎপা। (৪) মালেমগী এপেক্স বোদি ওইনা লৈরিবা য়ুনিভর্সেল সোসিও এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন শম্না য়ুনেস্কোদা লমদমসিগী য়েলহৌ শক্তম 'মৈতৈ/মীতৈ অমগী খাঙুথক্তা চঙলকপা/লৌরুবা মীরম লাইনীংগী মুকশন শক্তম ওইনা তাক্লিবসি চুমথোক্লবা মরী লৈনবা চে-চাংশিং থাবগা লোয়ননা য়েলহৌমী অশেংবগী লোনচৎ লিচৎ চৎপশিংগী মরক্তগী মীহুৎশিং চৎলগা তকশিনবা অদুগা য়েলহৌমীশিং মশক খঙহনবা। (৫) লাই হাক্তক্তগী শান্নরকপা য়ুবি লাকপী, শগোল কাংজৈ, মুক্না শান্নবা, লমশাং লমজেল তান্নবা (হৌজিক্তা মরাথোনগুম্বা), থাঙ-তা, কাং শান্নবা, চকোই/জগোয় মখলশিং অমদি ইরমদমসিগী অরিবা মতমদগী শাগোন্নরকপা ফিশা লোনশা, য়ূমশা কৈশা, পুঙ পুথোক্তুনা মসিগী শীজিন্নবগী মখলশিং অখঙ-অহৈশিং তানরগা পাকশন্না খঙহন্নবা হোৎনবগী মতাংদা চান্নবা মহৈ তম্ফমশিং, অৱাংবা থাক্কী ফাওবদা লৈনবা/লিংনবা লৈঙাক্না হোৎনবিবা।

মথক্তা পনখিবা অমদি পনবদা চিথহৌবশিংগীদমক অখঙ-অহৈশিংনা তানরগা থৌরাং-থৌশিল (পোলিসি) শেম্বীরগা মসিবু য়োকখৎনবা লৈঙাক্কী শেনবা থুম্বাগী (বজেট) খন্ন-নৈনবদা মতিক চাবা শেনফম হাপ্পীনবা থৌরাংবিবা/খন্নবিবা অসিনচিংবা লৈঙাক্কী মফমদা নীংশিংজরি/থমজরি।

ৱারেংজরিবনা মতাংসিদা থমজরিবা অচুম্বা ৱাফমদি হৌজিক মালেমগী ওইনা ওইরক্লিবা ফীভমগী মতুংইন্ননি। কুমজা ২০১৯গী অরোইবা শরুক্তা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী ইপিসেন্টর ওইরগা মালেম শিন্থুংনা শন্দোক্লিবা কোরোনাভাইরস হায়রম্বদগী কোভিদ-১৯ হায়না পাকশন্না খঙনরবা মশক মওং ফজনা খঙলবা ফাওবা লাকশিনবা ঙম্বা হীদাক/ভেক্সিন মালেমগী লৈবাক অমত্তনা ঙসি ফাওবদা পুথোকপা লৈত্রিবা লায়না লাইচৎ অসিগী অহানবা ঙাক্লৌনি হায়দনা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগা লেপ্পা প্রোটোকোল - মালেমগী মীশিংনা য়ারিবমখৈ য়ূম-য়ূমদগী মপান থোক্তবা হায়বদি য়ূমগী কোন্থোং ৱাংমা লান্দবা; চখোকপদা অমদি য়ূমগী মপান্দা লৈবদা মরোল খরা য়াওবা মাস্ক শোয়দনা উপ্পা; খূৎ-শা সাপোন শীজিন্নরগা সেকেন্দ ২০ চঙনা ঈশিং অফবনা শেংনা তোয়না হামদোকপা; মীনা তোয়না পায়গনবা মীয়াম্না শীজিন্নবা টেবল, কি-বোর্দ, মাউস তোয়না দিসইনফেক্টেন্ট শীজিন্নদুনা শেংদোকপা; য়ূমদগী মপান থোকপদা হেন্দ সেনিটাইজরনা তোয়না খূৎ শেংদোকপা; তঙাইফদনা মী অনীগী মরক্তা মিটর ১ হায়বদি চাউরাক্না ফুট ৩দগী তাদনা অরাপ্পা থম্বা (ৱারী শাবদা/চৎপদা); মীয়াম তিনবা মফমদা য়ারিবমখৈ চৎতবা/থৌরম য়াওদবা/ য়াওদবা য়াবা মতমদনা মথক্কী ফুট ৩গী তাদনা অরাপ্পসি ঙাক্না চৎপা; লোক থুংবা/লোক খুবা মতমদা খূৎনা/রুমালনা/দিসপোসিবল টিস্যু পেপরনা খনজিনবা অদুগা পেপরদু হেক শীজিন্নবা লোয়বগা মখূম খুম্বা দষ্টবিন্দা হাপচিনবা; মীয়াম তিনবা মফমদা/লম্বী সরক্তা লোক-তিন শিৎতোক্তবা অসিনচিংবসি ঙাক্না চৎলবদি কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়বসিনি।

মথক্কীশিংসি কোভিদ-১৯না পীবা চৈথেংদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ/ঙাক্লৌ ওইবতা নত্তনা মালেমগী মীয়ামদা পীবা ফজবা পাউতাক/তম্বীবা লেসন অমদি - "মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা মশা-মশাগী মরমদমশিং করিগুম্বা মরমশিংগীদমক থাদোক্লগা তোঙান-তোঙানবা মালেমগী লৈবাকশিংদা/মীরমশিংদা লৈনরিবশিং/চৎনরুবশিং অরোইবা চিরবা চেকশিল্লক্লবা মতমদদি মশা-মশাগী হৌরকফম হায়বদি মরমদমশিংদা হন্নরো' হায়বসিনি। অদু ওইরবদি মফুরুপশিংগা অমদি য়ূমগী নুংশিজবা মমা-মপা, মচিন-মনাওশিংগা তঙাইফদনা শিবা চঙবগী অশেংবা তাঞ্জাদা/লাম্থেংনবদা খুদোং চাগনি। অদুনা নশা-নশাগী হৌরকফম মশক খঙবনা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওই হায়বসিনি। মালেমগী ওইনা হায়নবদা "হোম স্বিট হোম" হায়নরিবসিনি। মতাং অসিদা নীংশিংজবদি - মীরমগী মমা মপাদা ফনা য়ান্নে, পামই, নুংশি হায়দুনা পোল্লোইদদি য়ারক্তবদগী মীরমগী মমা-মপা অসি মতম অমদা য়াম্না নুংশিনা নীংজদুনা তৌখিবদু হুন্দোক্লক্লগা মীরাইনা হুন্দোক্লুরবা অপোকপা-অপোকপীদা অশেংবা হৌখিবা মরমদমদা হঞ্জিনবা শোয়দনা তারকই হায়বসিনি। মরম অসিদগী মীতৈ/মৈতৈ ঐখোয়না থৌরম অমা তৌবা/পাঙথোকপা মতমদা য়াওদবা য়াদবা পোৎশক অমা ওইনা শীজিন্নরিবা - করিদা তাই লাদা তাই" হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না কাউরোইদবনি হায়না থমজরি। 'হয়ি হয়া শিবা, শিদবা মপুনা য়াইফরে'। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।